# ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী স্পীদ ইন্দুরেন্স হেঙ্গৎনবা ‘ফার্টলেক’

- লৈশাংথেম অজিৎ -

ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা মখোঙ মখূৎ শিংলবসু মপাঙ্গল কনগদবনি, দম লৈগদবনি, লমজেল য়াঙগদবনি হায়বা ফুটবোলগী কোচ ওইরিবশিংনা তাকপীবদগী ঐখোয়না খঙলে। নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নরুরবা, থোয়দোক হেন্দোক্লা খঙলবা কোচশিংনা তন্বীরবা শান্নরোয়শিং অসি অয়াম্বনা ‘স্পিদ ইন্দুরেন্স’ কী মগুন অসি খঙই অমদি ষ্টেট অসিগী মশীং য়াম্লবা শান্নরোয়শিং অসি অয়াম্বনা স্পীদ ইন্দুরেন্সকী মগুনশিং অসি ৱাৎপা ওইনা তৌই। ফুটবোল কোচশিংনা হায় মদুদি স্পীদ ইন্দুরেন্স অসি শান্নরোয়শিংগী চঙদ্রবা য়াদবা ফিজিকেল ক্বালিটিনি। মরম অদুনা স্পীদ ইন্দুরেন্সকী মগুন অসিনা শান্নরোয় অমগী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াই অদু হেনগৎহল্লি। ঐখোয়না খঙলে মদুদি মিটর ১০০গী লমজেল চেনবা মতমদা লমজেল্লোয় অমনা অহানবগী সেকেন্দ ৬তগী হেন্না মহাক্কী য়াঙবগী চাং অদু হেঙ্গৎপা ঙমদে। মরম অদুনা অহানবগী সেকেন্দ তরুক অসিগী মনুংদা মহাক্লা হেক ঙম্বমখৈ চেনগদবনি অদুগা মথং তারকপদা লমথুংফম য়ৌদ্রিবা ফাওবা মহাক্কী খোঙজেল অদু হন্থদনবা হোৎনগদবনি। হায়বদি য়াঙবগী চাং অদুদি হন্থহল্লোয়দবনি। অসিগুম্বা য়াঙবগী চাং হন্থহন্দনা শাংনা চেনবা ঙম্বা অসিবু ঐখোয়না স্পীদ ইন্দুরেন্স হায়না খঙনদুনা শান্নরোয়শিংদা, লমজেল্লোয়শিংদা অমদি শাজেল তৌবশিংদা খ্বাইদগী কান্নবা ফিজিকেল ক্বালিটিশিংগী মনুংদা অমা ওইরি।


মণিপুরগী নহা ওইরিবা ফুটবোল শান্নরোয়শিং অসি স্পীদ ইন্দুরেন্সকী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈহন্নীংই। হায়রিবা মগুনশিং অসি লৈরবদি বোল পায়রিবা শান্নরোয় অদু মায়োক্লবা টিমগী শান্নরোয়না লায়না তান্নবা ঙমদে। অমরোমদা অমুক বোল পায়রিবা শান্নরোয় অদুনা লমজেল য়াম্না য়াঙলবদি মহাকপু থিংবীনবা শান্নরোয় লৈরোই। মরম অদুনা মালেমদা মমিং চৎপা শান্নরোয়শিং অসি স্পীদ ইন্দুরেন্স মতিক চানা লৈবা মরম্না অৱাবা অমদি চোকথবা য়াওদনা ফুটবোল শান্নফম মিটর ১২০ শাংবা অদু হঙ্গৎ হন্দা মপাঙ্গল ফুদোক্তুনা পুং অমা মখায় শান্নবা ঙম্মী। হৌজিক্কী মতমদা স্পীদ ইন্দুরেন্স অমসুং মালেমদা স্পীদ খ্বাইদগী মমিং লৈবা শান্নরোয়দি য়ুনাইটেদ কিংদমগী শরুক অমা ওইরিবা ৱেলসতগী রিয়েল মেদ্রিদতা শান্নরিবা মিটর ১০০বু সেকেন্দ ৯.৭৫দা চেনবা ঙম্বা ৱিঙ্গর, মায়োক্লবা টিমগী দিফেন্দরশিংবু লায়না মহাক্কী স্পীদকা লোয়ননা নান্থোক্তুনা বোল পুবা ঙম্বা, স্পীদ য়াম্না লৈবা, বোল ক্রোসিং তৌবদা হেন্না হৈথোই-শিংথোইবা, মখোঙ ওইনাগী হৈশিংবদা মহাক্কী লম্বা লৈতবা থোইদোক-হেন্দোক্লা ফীভম ফজবা, মপাঙ্গল কনবা, দম লৈবা লমজেল য়াঙবা গরেথ ফ্রেঙক বালনি। মহাক পুংদা কিলোমিটর ৩৬.৯গী চাংদা মিটর ১০০গী লমজেল চেনবা ঙম্মী। মহাক্কী মথংদা কলম্বিয়াগী ওরলান্দো বেরবিও মিটর ১০০গী লমজেলদা সেকেন্দ ১০দা চেল্লি অমদি মেক্সিকোগী মিদফিল্ডর জুরগান দামনা সেকেন্দ ১০.২৩ অমদি লি মেসিনা সেকেন্দ ১১.০৮ দা লমশাং অসিবু চেনবা ঙম্মী। মখোয়দা ফুটবোল শান্নরোয় অমদা লৈগদবা ফিজিকেল ক্বালিটিজ হায়বদি হকচাংগী মগুনশিং অদু লৈ। মগুনশিং হায়বদি মচাকশিং অদুদি দম (ইন্দুরেন্স), লমজেল য়াঙবা (স্পীদ), মতম শাংনা য়াঙনা চেনবা ঙম্বা (স্পীদ ইন্দুরেন্স) অমসুং পাঙ্গল (ষ্ট্রেঙথ) নি। মখোয়শিং অসিগী মনুংদা শান্নরোয়শিংগীদমক খ্বাইদগী মরু ওইবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবদি স্পিদ ইন্দুরেন্সনি। তৌইগুম্বসুং শান্নবগী ওজা অয়াম্বনা স্পীদ ইন্দুরেন্স হেঙ্গৎনবা থৌরমশিং হাপ্তা অমদা অনী/অহুম্লক মরু ওইনা ওফ সিজন্দা, টুর্নামেন্ট তৌদবা মতমদা তৌহন্দুনা টিমগী ফিজিকেল ক্বালিটিজ ৱাৎলিবশিং অদু মেনখৎনবা হোৎনৈ।

ইন্দুরেন্স মতিক চানা লৈরবদি মিনট ৯০গী মতম ফুটবোল শান্নবা শরুক য়াবদা থোয়দোক হেন্দোক্লা অৱাবা, চোকথবা লৈরোই। অদুবু মেচ অদুদা ফুটবোল চেন্দুনা পুবা, বোল ফংনবা চেনবা অমসুং বোল পায়রিবা মায়োক্লবা শান্নরোয়শিং অদু তান্নবদা অমদি বোল লৈবা মফমদা চেনশিনবনচিংবা লমজেল য়াঙনা চেনগদবা ফীভম মতম কয়ামুক লৈ। মদুগীদমক স্পীদ ইন্দুরেন্স মথৌ তাই। শম্না হায়রবদা ফুটবোল শান্নরিঙৈদা লমজেল য়াঙনা চেন্দবা শান্নরোয় অমত্তা য়াওদে। গোলকিপরখক্তা নত্তনা অতৈদি লমজেল মতেক অসি মথৌ তাই। মসিগীদমক ঐখোয়না স্পীদ ইন্দুরেন্স হেঙ্গৎহনবা মথৌ তাই।

স্পীদ ইন্দুরেন্স হেঙ্গৎনবা ত্রেনিং কয়ামরুম লৈরি। মখোয়গী মনুংদা খরদি ইন্টরভেল ত্রেনিং, টেম্পো ত্রেনিং, লেদ্দর অমসুং ফার্টলেকনি। মসিগী মনুংদা ফার্টলেক মালেমগী মফমশিংদা লমজেল চেনবগী ত্রেনিং অমসুং কোচিং পীবগী য়াম্না কান্নবা অমদি টিম গেমস ফুটবোল, হোকি, বাস্কেটবোলনচিংবা শান্নবগী কোচশিংনা য়াম্না তোয়না শীজিন্নবা পার্ফোমেন্স হেঙ্গৎনবা মচাক অমা ওইরি। ফার্টলেক্কী কান্নবা মখাদা পঞ্জরি।

ফিনলেন্দ অমসুং সুইদেন য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংনি। ফিনলেন্দগী পাভো নুরমীনা কুমজা ১৯২০ (অন্টৱর্প), কুমজা ১৯২৪ (পেরিস), কুমজা ১৯২৮ (অমষ্টর্দাম) গী ওলিম্পিক গেমশিংদা লমজেল অশাংবদা মকোক ওইদুনা সনাগী মেদল ৯ অমসুং লুপাগী অহুম ফংদুনা মতম অদুদা সনাগী মেদল খ্বাইদগী ফংবা ওলিম্পিয়ন ওইখি। মতম অদুদা য়ূমলোন্নবা লৈবাক স্বিদেন সনাগী মেদল অমত্তা এথলেটিক্সতা ফংবা ঙমখিদে। লৈবাক অসিগী ইদৱিন ৱাইদ কৌবা লমজেল্লোয় অমখক্তংদি কুমজা ১৯২৪দা মিটর ৫০০০গী পেরিসকী লমজেলদা অহুমশুবা অমসুং ১৯২৮ (অমষ্টর্দাম) গী ওলিম্পিক্তা মিটর ১০,০০০গী অথোয় অহেন তান্নবদা অনীশুবা তাখি। মতম অদুদা স্বিদেনগী কোচ ওইরিবা গোষ্টা হোলমর নীংবা য়াম্না কায়খি। মরম অদুনা মহাক্লা লমজেল অশাংবা চেনবশিংগীদমক অনৌবা ত্রেনিং অমা হৌদোক্তুনা স্বিদেন মচাশিংদা তাকপী তন্বীবা হৌদুনা তপ্না তপ্না মায় পাকপা হৌরকখি অমদি কুমজা ১৯৪৮গী লন্দন ওলিম্পিক্তা লৈবাক অসিগী হেনরি ইরিক্সন অমসুং লিন্নার্ট ষ্ট্রেন্দ মিটর ১৫০০গী লমজেলদা অহানবা, অনীশুবা তাবা ঙমখি।

গোষ্টা হোলমরনা হৌদোক্লম্বা ‘ফার্টলেক’ হায়না খঙনবা লমজেল ময়ায় ওইরপ চেনবা অমসুং অশাংবা চেনবশিংগী ত্রেনিংদা থোইদোক হেন্দোক্লা কান্নরবা ত্রেনিং সিষ্টেম অসি হৌজিক মালেম শিনবা থুংনা লমজেলগী ওজাশিংগী ‘বাইবল’ নি। ফার্টলেক হায়বদি স্বিদেন মরোলদা ‘স্পীদ প্লে’ হায়বনি। মরম অদুনা মহাক্কী ত্রেনিং অসি লমজাও, সরক্তা, চীংয়াদা, জঙ্গলদা অমদি সমুদ্র নৎত্রগা পাৎ মপান্দা তৌবদা খুদোং য়াম্না চাই। মালেমগী মমিং লৈবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ফীজিকেল ফিটনেসকী কোচশিংনা ফার্টলেক অসি স্পীদ ইন্দুরেন্স হেঙ্গৎনবা মরুওইবা প্রোগ্রাম অমা ওইনা শীজিন্নরি। মতমগী মতুং ইন্না ফিজিওলোজিষ্ট অমসুং স্পোর্টস সাইন্টিসশিংনা ফার্টলেক্তা য়ূম্ফম ওইরগা শান্নরোয়শিংগী ফিটনেস হেনগৎহন্নবা প্রোগ্রাম কয়ামুক শেমদুনা চাংয়েংখ্রে। |◂◂




# খুমন লম্পাক্কী পোখোক হেনগৎহনসি - ২

## ‘হৈরাংলিঙৈদা য়ুরাংলকপা’

টি ঐচ ইনাও

পূক্লিং ৱাখল কোক্কী মখা য়াম্না পোনবা মুভমেন্ট মওং মতৌ অমনি পাঙ্গল থৌনা লৌশিং হায়বসি। ফনা য়াম্না চাউ-শাংবা মীসু ওইসনু ৱাখল খোয়না য়ারকত্রবদবু মাগী মপাঙ্গলনা কৈদৌদোইনো, স্পোর্টস সাইকোলোজি সশিংগী মত মতুং ইন্না হায়বনি। অদুনদি ৱাখল নুংঙাইত্রবা, কোক ৱাই চিল্লবা মীদুনা হকচাং নুংঙাইবগী ৱাদি লৈররোই। মীওইবশিংদি ৱাখলদা চৈথেং পীনবা মচাক য়াম্না লৈবা জীব অমনি। অদুননি মীওইবসি মগুন লৈবা অশিংবা জীব ওইরল্লিবসি। ৱাফমসি পন্দবা য়াদদনা পঞ্জরম্বনি, মখা শমথররোই। মীওইবগী ৱাখল থবক ইনখাং মীয়ামগীবু ওইরবসু লন্নায়বু ওইরসু লোয়না অকা-অকুম লৈবা ঙাক্তনি। চহী খরসি মণিপুর স্পোর্টসকী ইচেল খরা মবুক তপথবা মান্না লৈ। নোংজু থা মোন্সুন মতুংদা তুরেলগী ঈচেল মবুক তপথবগুম। নাকল অমদা কুমজা ১৯৯৯দা মণিপুরদা নেসনল গেমস মপূং ফানা পাঙথোকপদা থৌনা লিংজেল উৎতুনা ৱিন্নর ওইখ্রবা মতুংদগী ঙসি ফাওবা অসুক শাংখ্রবা মতমসি রন্নর তাবা নত্তনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমদ্রিবনি। লোয়ননা মশান্না খরদা ফগৎলবসু মশান্না খরদা মনীং হল্লিবনি। ঐখোয় হোৎনদ্রে তন্থরে নৎত্রগা ইনগদবা কাঙবুনা ইন্দ্রে হায়বনি নৎত্রা? মসিনি অকা-অকুম হায়বসি। মসিনা ঐখোয়দা ৱাখল লৌশিং পীদবা নত্তে। অদুদি হৌজিক ঐখোয় পূন্নমক্কী ইথৌসি তাশিন-খোমজিনবা কদায়দা করি শোয়খ্রে, করি লানখ্রে, করি ৱাৎলি, কনানা পূক্লিং চঙদ্রে খঙমিন্নবা থিদোকমিন্নবা, মরী লৈনবা পূন্নমক্কা কোক চুংশিন্নগদবা তাঞ্জা অমদা ৱাথোক অমগী মনম কোকত্রিঙৈ হন্দক অমুক স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসিদা য়ু লিক্লি অহাংবা, বিয়র লিক্লি অহাংবা মফম চাদনা হুন্দোক্লুবদগী ইলেক্ট্রোনিক্স মিদিয়ানা কোদ তৌরকপদা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট অমদি ফুরুপসিনা অতৈ ষ্টেটকী মমাঙদা, মালেমগী মমাঙদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাফম, য়ুগী মকোন ওইরম্লে হায়বসিদগী হেনবা ইকায় ফিরুক খুম্বা, মায়থীবা, মায়খুবা অমা অমুক লৈরমখিদ্রা?

মের্ন্টেইন সেঙ্কটিটি ওফ স্পোর্টস কমপ্লেক্স, স্পোর্টস ইজ দি সিম্বোল ওফ য়ুনিটি, প্লিজ কিপ স্পোর্টস কমপ্লেক্স নিট এন্দ ক্লিন্দ, প্রোভার্ব, পাউরৌ খরসি কমপ্লেক্স অসিগী ওথোরিটিনা লমদম অসিগী শান্নববু নুংশিবীদুনা লাকপীরিবা মীয়াম অমদি মরী লৈনবা শান্নরোয়শিংদা পীবা পাউজেল ওইরমগনি। অদুগা তৌথোরক্লিবা, উৎলক্লিবা থবক্লা ওন্ন-তৈনবা থকসি-খাসি, দিসিপ্লিন য়াওদবা, চেকশিন্দবা, লোইশিনবা হৈতবা, কদায়দা দেষ্ট্রোয় তৌগনি খঙদবা, হায়নীংনা হায়বা নত্তে ৱারৌবিনু। য়ু হায়বা পোৎশক অসি মালেমগী মীয়াম্না থকই, লাইভ সেভিং দ্রগ খুদিংমক্তা অলকোহোল য়াওই। মালেমগী অচৌবা কম্পেনি, লন্নাই মীওই কয়ানা থক্লবা-চানবা অচাপোৎ মখল কয়া শাখ্রে মগুন লৈবা, অহাওবা কয়া কয়া অদুবু অদুগুম্বা কয়াদো মতমগী ইরোলনুংদা লুপখি/মাঙখি। মতম মতমগী অনৌবা কয়ানা মহুৎ শিল্লক্লি অদুবু য়ু হায়বা থক্লবা পোৎশক অসিদি ঙসি ফাওবা মাঙদ্রবা, মাগী কম্পোনেন্ট মচল হোংবা য়াদবা, থক্লবা পোৎ অচাপোৎ অমনি মগুন লৈবা। অদুনা মসিবু পামজবশিংনা হৈনা শীজিন্নবিয়ু। হৈত্রগদি মাঙজৈ ঈজৎ সন-মান, হকচাংদা অফবা অমত্তা পীদে অদুবু মালেমদা লৈরিবা মীওইশিংনা থকই।

দিসিপ্লিন য়াওদ্রবা কাঙবুদা দিসিপ্লিন মচেৎ অমা য়াওরম্বগী ৱারী মতেক অমা : ৱারী অসি শক্লাইরবা মতম অমগী নেসনল প্লেয়র ফুটবোল্লর মণিপুরগী অমদি ইন্দিয়ন ৱুমেন ফুটবোল টিমগী কোচ ইকায়খুম্নজরবা ওজা রতন কুমারনা মিদিয়াদা কয়ারক পনবিখ্রবা ৱাফমনি, কোদ - নোংমা কোরিয়াদা চৎখিবা খোঙচৎতু এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অমগীনি। কোরিয়া মহৌশানা অঙীংবা মফমসু ওই। ঈংবনিনা ফোর্মেল দ্রেস শেৎতনা ত্রেক সুইট অদুগী মথক্তা ৱিন প্রুভকী কোক খুম্নবা য়াওবা জেকেৎ অমা লিৎতুনা ষ্টেদিয়মদা শান্নবা য়েংলিঙৈদা কাঙবু খরনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়ুগুম্বা চানা থক্লবা অচাপোৎ ময়াম পুশিল্লক্তুনা চাবগী মফমদু পুমচাই চাই। অদুবু লোইশিল্লকপদা চাইখাইরম্বা ময়ামদু লোইনা খোমদুনা পুথোকখি হায়বগী ৱারীনি। মসিনি দিসিপ্লিন মচেৎ হায়না পঞ্জরিবসি। অনকোদ- ঐখোয়গীদি কদায় অচাপোৎ য়োল্লকপা চে, হাপ্লকপা প্লাষ্টিক খাও, ফি মোত্তনবা থাদুনা ফল্লম্বা পাউচে পূন্নমক পুমচায়। পুথোক্লনি, শেংদোক্লমগনি হায়বগী ৱা-খল্লোন্দি য়াওদে, চাইখাইরম্বা ময়ামদু নুংশিৎনা হুমদোকখিবা নৎত্রগদি মচি অমদা অদুম চাইদুনা লৈগদৌরিবনি। অদুননি অহাংবা য়ু বোট্টলগী ৱাথোক থোক্লিবসি। ঐখোয় হেন্না চেকশিনসি অহুমশুবা ৱাথোক লাক্তনবা অদুবু ইনক্কারি অমদি চঙই নৎত্রবদি চেন্নবশিং অকিবা লৈরোই। অকিবা পোক্তবদি অমুক তৌরক্কনি। ঐখোয়গী খুন্নাইসে ঙাঙনবা ৱারবা খুন্নাইনি। ইনক্কারিগী পোইন্ট - থৌদোক্তু করম্না, করম্বা কাঙলূপ্তগী থোকপনো থিদোকপা। মরমদি কমপ্লেক্স অসিদা মখল কয়াগী কাঙলূপ লৈবনিনা। মতুংদা থোক্তনবগীদমক আইন অমা জারিবা, কাঙলূপ ময়ামসি চঙহন্দবা হায়বসি ফজদবা লৈগনি। অদুগা মীয়ামদগী সজেসন কৌবসু চঙই। পূন্নমক অমাংবা তৈমিন্নবা হায়বদুনি অদুবু ওইথোকপা য়াবা ৱাফম খরা মৈচেন্নরবা কাঙবুসু খনবিয়ু নীংশিংবিয়ু। ওইরম্বা য়াই ওইরমদবা য়াই থৌদোকসি কেম্পস অসিদা থবক তৌবা কাঙবু অমা নৎত্রগনা অথেংবা ফাওবা লৈবা কাঙবু অমনা নৎত্রগনা সঙাই ফেষ্টিবেলগীদমক লৈঙাক্কী মেছিনরি দ্যুটি লৈরম্বা কাঙবু, পুলিস, ফায়র সার্ভিস, মৈগী কাঙবু, ষ্টোল শাবা কাঙবু ময়াম অমনি হন্দক লৈরল্লিবা, অমনা হন্দক কুমজা ২০১৮-১৯ লোন্নবদা মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা নেসনলগী টুর্নামেন্ট কয়া মণিপুরদা তাখি। অদুগুম্বা স্পোর্টস কাঙবুদুদা মরাল পীশিনবদি নত্তে। ঐখোয়সু ঈজৎ মাঙই হায়বসু য়াদে। মখোয়সু ঈজৎ মাঙই, ফজবদি নত্তে। ঐনা খঙজহৌবদা ইনকনক্লা হেন্দবোলগী নেসনলগী টুর্নামেন্ট লৈখি। আর্চরিগী নেসনল টুর্নামেন্ট, করি করিনো ষ্টেটকী, দিষ্ট্রিক্টকী খরা লৈখি। মপানগী লাক্লিবা ওফিসলনা শীজিন্নরম্বা য়াব্রা? মখোয়দসু নত্তে মথক্তা পঞ্জখ্রে। সঙাইগী তূম্বা চাবা তৌদুনা ময়াম লৈরল্লি নৎত্রগনা কেম্পস মপান্দগী কাঙবুনা তৌরম্বা য়াব্রা, ইচিংদা চিংননিংঙাইদি ওইরি। অদুবু মপুংদি কেম্পস মনুংগী থৌদাং ওইফম থোকই।

ৱাফম খরসিনা থৌদোক্তু ওইরম্বা য়াব্রা হায়বগী ৱাফমনি। খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স য়াম্না তাঙবা ষ্টেদিয়ম অমনি। অপিকপা এরিয়া ওইরবসু মশান্না মখল কয়াগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈবা ইন্দিয়াগী মফম অমত্তদা লৈত্রিবা মপূংদা প্লেজর অমনা অপাম্বা গেম অমা য়েংনবগীদমক ষ্টেপ খরদা মতম ইচং চংদনা য়েংবা ফংবা অদুগুম্বা শান্নবুং অমনি। মতুং তারকপদা করম্না অসিগুম্বা ফজদবা থৌদোক-ৱাথোক থোকহল্লোয়দগে হায়বগী মতাংদা তৌজনীংবা সজেসনদি লায়রবা ষ্টেট ওইবনিনা ষ্টেটকী এসোসিএসন পূন্নমক মসিদা লৈশিনবা, তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিং হোকি, স্বিমিং, সাইক্লিং, শুটিং, ফেন্সিং, হেন্দবোল অমদি অতৈ অতৈ। মখা তাজনীংবদি স্পোর্টস এসোসিএসন অমত্তা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈতবা য়াদে হায়বা লৈতে। মখোয়শিং মফমসিদগী হোংদোকহনখিবা, মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিস অনী মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি, সোসল ৱেলফেয়রগী বাল ভাবন মফমসিদগী হোংদোকখিনবা শিনবীবা, মণিপুর লৈঙাক্তা মমাঙদসু মখোয় মফম অসিদগী হোংদোকপা য়ারোই হায়না ষ্ট্রাইক তৌখিবা মাল্লি। অসিগুম্বসিদি লৈঙাক্কী অশোনবনি। মখোয়গী কোক অমদি পোলিটিকেল পৱারদুদা লৈ। তোঙান-তোঙানবা হায়বদি ইন্দোরগী, মেনগী, হোকিগী, স্বিমিংগী, সাইক্লিংগী য়াসকী লৈরিবা ময়ামসিগী মথৌ তাবা ৱার্করশিংদগী হেন্না লৈহন্দবা, ৱাটর সপ্লাইগী ঈশিং লৌবা লাকপা গাড়ীশিং মাগী এরিয়াদা চৎহনবা, মপনশুবা ইন্দিয়ন রিজার্ভ বট্টালিয়ন নুপাগী/নুপীগী জোন অসিদা সিভিলিয়নশিং চৎহন্দবা, অয়ূক পুং ৫দগী ৭ ফাওবদং হেলথ ক্যের তৌবশিংগী মতম পীবা, অতৈ অতোপ্পা মতমদা শান্নবগা মরী লৈনবা নত্তনা অতোপ্পা চঙহন্দবা, চঙবগী মথৌসু তাদে, শান্নবা লৈবা মতমদদি ফ্রী ওইহনগদবনি। অদুগা অমনা মফম অসিদা ইন্দিয়ন আই লীগকী টিম নেরোকা এফ সী, সেকেন্দ দিভিজনগী টিম ত্রাও অনীগী হোম ভেন্যু ওইরিবনি।

শেমগৎ-শাগৎপগী মথৌ তাবা থবক খরদি তৌহঞ্জনীংই। মণিপুর ফুটবোল শান্নবগী থাক্তা আই লীগ টিম লৈরে। ষ্টেদিয়ম অসিদা ফ্লদ লাইট লৈতবনা মরম ওইদুনা আই লীগ মেচ মণিপুর অমদি মিজোরামদি নুংথিলদা শানৈ। ঙসিগী মণিপুরগী ফুটবোলগী থাক ঐখোয়গী লৈঙাক মপুনা খঙদবা মাল্লি। হৌজিকপু করম্বা ষ্টেদিয়মদা ফ্লদ লাইট লৈতবা য়াওরিবগে? বজেট পিক্লবসু চহী অমদা থবক অনী লেপ্তুনবু তৌরবা শায়দনা লংগনি মণিপুর, শান্নবুংদা নত্তে। অমনা, ৱারৌবীবা য়াদে, দিঙ্কু রোদকী তাইনবা শ্বাইদদি মতুপ অমা ৱাল তঙ্খায় য়াওদে। ভি আই পি গেল্লরি মনীংগী গেট শম্বলগুম্বা ওল্লে, কাম্থোক-কানশিন ফজনা তৌরে। অসিগুম্বা মফম খরদা অহেনবা ৱালগী মওং শেম্ফম থোকই। ৱাফমসি মপূং ফানা প্রোটেক্ট তৌনবনি।

অফবা-ফত্তবা থৌদোক ৱাথোক খরা থোকপা হায়বসি হৌনশানি। লূ-তোংনা শাবা মীওইবনিদনা, অদুগী মথক্তা ঐখোয় চাওখৎলক্লিবা লৈবাকনি, চাওখৎলবা লৈবাক নত্তে। ঐখোয় পূক্লিং হন্থবা য়াদে। নাকল অমদা মীশিং লাক্ষ কুন, কুম্বা লৈবা মণিপুর ইন্দিয়াগী অচৌবা ষ্টেট অমগী, দিষ্ট্রিক্ট অমগী লমনসু চাউবা হেনবা মীশিংদসু হেনবা মশীং য়ামখিদ্রবা শান্নরোয় খরখক্তনসু শান্নবা পিকখ্রবা মণিপুর কলচরদা, স্পোর্টসতা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা থোয়দোক-হেন্দোকপদা লৈবাক অসিনা পীবা এৱার্দ কয়াগী মপু ওইবা ঙল্লি। মসিগীদমক ঐখোয় চাউথোকচসি। শান্নরোয় অমগী পুন্সিগী মঙলানসি মেদল হায়বদুনা অমনি, ওলিম্পিক্কী ফম্বাক্তা অমুক্তং লেপদুনি। য়েংবীয়ু পিকখ্রবা মণিপুরনা মালেমগী শান্না কুম্মৈ ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবা ঙম্বা ওলিম্পিয়ন ১৭ লৈরে। ১৮শুবা ওলিম্পিয়ন বোম্বেলাদি অহুল্লক শরুক য়াবগী কুমজা ২০১৯দা পদ্মশ্রী এৱার্দ পীরিবনি। ১৮ অসিগী মনুংদা অহুম অমদি ৱাথোক ওইরিবা ষ্টেদিয়ম অসি লৈত্রিঙৈগীনি। অসিদা নৎত্রি মালেম অসি শরুক মঙা থোকপগী শান্না কুম্মৈ এদিসন গেমস অসিদসু এসিয়ন খুদিংমক্তা ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্টতা য়াওদুনা মেদল কয়া খুদোল তম্লি, মশীং হায়বদুদি ঙসিদি থোইদোক্ত্রে। গোল্ড মেদলিষ্ট, সিলভর মেদলিষ্ট, ৱ্রোঞ্জ মেদলিষ্ট মশক মমিং তাক্লুবগী কান্নবা লৈত্রে। করিগুম্বা তাঞ্জাদা শান্নরোয়শিং শক তাকচনবগী তাঞ্জা ফংলবদি তাকচরক্কে অদুবু কম্মনৱেলথ গেমসকীদমক্তদি মেদল চহী, মফম পীজরি। অসুম্না কম্মনৱেলথ গেমসতসু। কম্মনৱেলথ গেমসতা ইন্দিয়াগীদমক মণিপুরীশিংনা খুদোল তমখিবা চহী অমদি মেদল নীংশিংবা অমদি খঙবদা নুংঙাইনবা থমজরি, খঙমিন্নসি। মেঞ্চেষ্টর ২০০২- ৱেটলিফটিংদা গোল্ড ২, হোকিদা গোল্ড ৪ (টিম), বোক্সিংদা ৱ্রোঞ্জ ১, জুদোদা ৱ্রোঞ্জ ২; কুমজা ২০০৬ মেলবোর্ন - ৱেটলিফটিংদা গোল্ড ১, সিলভর ১, ৱ্রোঞ্জ ১; আর্চরি (টিম) দা গোল্ড ১, ৱ্রোঞ্জ ১, কুমজা ২০১৪ গ্লাসগো- ৱেটলিফটিংদা গোল্ড ১, সিলভর ১, বোক্সিংদা সিলভর অনী; জুদোদা সিলভর ১, ৱ্রোঞ্জ ১, হোকিদা সিলভর ২ (টিম); কুমজা ২০১৮ গোল্ড কোষ্ট - বোক্সিংদা গোল্ড ১, ৱেটলিফটিংদা গোল্ড ২নি। অসুম্না কম্মনৱেলথ গেমসকী মেদলিষ্টশিং অসিগী লময়ানবদি টি থৌবা মৈতৈনা স্বিমিংদা ঙসিদগী চহী ৩০গী মমাঙদা ব্রিসবেন ওষ্ট্রেলিয়াদা কুমজা ১৯৮২দা অহানবা ওইনা স্বিমিংদা পার্টিসিপেন্ট তৌরুবদুনি। টি থৌবা মৈতৈ কম্মনৱেলথ গেমস মেদলিষ্টশিংগীদমক্তদি মণিপুরগী প্রদ্যুসরনি। পূন্নমক্লা খঙনবা ঙাকনি কম্মনৱেলথ গেমসকী মরমদা শুগাইনা ইজদ্রে। অসিগুম্বা মেদল ময়াম ইন্দিয়াগী মীংচৎ ওইরিবা অসিগীদমক লৈবাক অসিগী মথৌনা মরিংজেল লৈবা, থোইদোক হেন্দোকপদা পীবা মনা অজ’ুন এৱার্দ ১৯৯০দগী ২০১৭ ফাওবগী এৱার্দশিংগী মীং অমদি মনা ফংবা চহী হাপচনবগী স্পেস লৌজদ্রে। তোঙান তোঙানবা কম্পেনি, ইন্টরেষ্ট লৈবা লন্নাই মীওই কয়ানা পীবা অচৌবা ভেল্যু য়াওবা মনাদুনা হেনবা নত্তে, অমনা লন্নাইনি অদুগা অমনা লৈবাকনা ইকায়খুম্নবনি। রাজিব গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ, মসিনা মপুংনি। মনুংদা কাখল খাইদোক্তুনা ওজা, গুরুদা অতৈ শক্লাইবদা পীবা এৱার্দকী মমিংশিংদি দোর্নাচার্য্য এৱার্দ, ধ্যানচান্দ এৱার্দ, পদ্মভুষন এৱার্দ, ইকায়খুম্নবগী ৱাংবদগী ৱাংলবা মনাশিং অসিনা লৈতেংবা ওজা, গুরু শান্নরোয় লৈরবা অদুগুম্বা মণিপুরনি। মসিদবু ঐখোয় ঙাওশিন-ফৈজিন্নদুনা লৈথোক্কদ্রা। ঙসিমক মাঙজিল থানা মাগী এরেনাদা চোংলি ফল্লিবশিং অসিগী ঈজৎ শোকপা য়াবা মবুক্লিং হন্থগদবা থবক অমত্তসু ঐখোয় মতুংদা তৌরগুমসি, পূন্নমক্লা ঙাকমিন্নসি। ঐখোয় ইশা ইশা দিসিপ্লিন্না পুন্দুনা ষ্টেদিয়ম অসিদা খোঙ থাংজিল্লকসি, কন্ট্রোল রুমদা ফল্লিবা কন্ট্রোলরদো ইশানি খনবীয়ু, ইন্দাইরেক্ট ৱাখল থাদোকপীয়ু। ইশানা মতম পূম্বদা পাল্লমগদবসি তৌরু তৌরুবা খুদিংমক্তা মায় পাকপদু নৎত্রা। ইদাও য়াদবা হায়বদুনা মখল অমনি। অদুদি অদোম্না হিংলিবসি ইন্দাইরেক্ট নত্তেকো। |◂◂

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ‘রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কুমজা ১৭৩৪দা পোক্তে, হাওবমচা পুখ্রনবগী মচানুপীসি রাজর্ষিগী মমা ইবেম্মা নত্তে’

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

হন্দক মরক অসি নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউচেশিংদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহীগী মতাংদা মীওই কয়ানা লেট্টর টু এদিটর অমদি ৱারেং ওইনা ইদুনা মশা-মশাগী মত ফোঙদোক্লরকপা য়াম্না থেংনরে। ৱারেং খরদদি ঐগী মীং ফাওবা পনবিরক্তুনা হুনবিরকপসু থেংনজখ্রে। শেংদোক-শেংজিন ফাওবা তৌনজখ্রে।

হৌখিবা চৈচৎ ১৯-০৪-২০১৯দা হুইয়েন লানপাউ পাউচেসিমক্তদা ইকায়খুম্নজরিবা এদিটরদা থারকপা চিঠি অমদা থোঙাম নব নুপা, হাওবম মরক কাংজম লৈকায়দা লৈবিবা মহাক্লা রাজর্ষিগী মপোক চহীগী মতাংদা ইবিরকখিবা মরু ওইবা ৱাফমদি ‘ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক ময়ি চৈথারোল কুম্বাবদা চনবিরমদ্রে, মসিনা মরম ওইদুনা অখঙ-অহৈশিংনা মপোক ময়ি ওইবা য়াবনি থাজদুনা কুমজা ১৭২৯, ১৭৪০, ১৭৪৮ নচিংবদা পোকখি হায়বা পাউচেশিংদা থেংনজরে। অদুবু মপোক ময়ি থিবা লংলা-লংজিন্দি চৈথারোল কুম্বাবনি। য়েংসি: কুমজা ১৭০৯গী ওগষ্ট ৩০দা গরিবনিৱাজনা নিংথৌ ওইরে। অদুগা কুমজা ১৭১১গী ওগষ্ট ৩০দা মচা অহল (শ্যামসাই) থানিল, ইৱাইদা পোক্লে। কুমজা ১৭৩১গী দিসেম্বর ২ ইৱাইদা হাওবমচা পুখ্রম্বগী মচানুপীগা সনাহল (শ্যামসাই) গা লুহোংএ। মরমসিনা কুমজা ১৭৩২দদি শ্যামসাইগী মচা অহল মরাম্বা (গৌরশ্যাম পোকপা য়াবসি নবেম্বর, দিসেম্বর নৎত্রগা কুমজা ১৭৩৩গী জুন ফাওবগী মনুংদা পোক্লম্বা য়ারে। অদুগা শ্যামসাইগী মচা য়াইমা কুমজা ১৭৩৪গী দিসেম্বর ৯, পোইনুগী ১৩নি পানবা লৈবাকপোকপদদি চীংথংখোম্বা পোক্লে। পোইনুগী ১৩নি পানবা লৈবাকপোকপদা অখঙ-অহৈশিংনা পুথোকপীরকপদগী চান্নবা খনগৎপনি। অতৈ চহী অমসুং থাবান চানদে” অসুম্না ইবিরকখি।

নৈনবা শরুক :- চৈথারোল কুম্বাবদা রাজর্ষিগী মপোক চহী অসি মশানা নিংথৌ ওইরিঙৈদা লাচল্লম্মী হায়বসি অচুম্বনি। ৱাফম অসি অয়াম্বনা খঙনদে। খঙদবা অমদি চৈথারোল কুম্বাবগী ৱারোল ৱাহন্থোক হনবা ঙমদবা মীনা রাজর্ষিগী মপোক চহী অসি চৈথারোল কুম্বাবদা লাচল্লমদে হায়না হেক-হেক হায় অমদি মখোয় মখোয়গী লাইরিক্তা ইশিল্লি। খৃ: ১৯৮৯দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা ফোঙবা চৈথারোল কুম্বাবা ২শুবা খূৎনমগী লমায় ১৩৯দা রাজর্ষিগী মপোক চহী পাবা য়াবা ৱাফম - ‘চহী ৫৪শুরবদা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্র হাকথক্তা...’ অসুম্না ইদুনা য়াওরিবনি। তৌবতবু মপোক চহী লাচনবগী মওংদি ময়ামগা মান্নদ্রে। মরমদি রাজর্ষিনা হেক পোকপা মতমদদি লাচনবীরমদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মতমদুগী অখঙ-অহৈ পাঞ্জি ময়াম তানরগা রাজর্ষিগী মপোক চহীগা, থা-থবান, নুমিৎ মমিং মান্নবা চানবা তাবা নুমিৎতা লাচল্লম্মী। মসি হৌনবনি। অসুম্না মপোক চহী পুথোকপা হায়বসি পাঞ্জিগী লোন্দা সংযোগ (ক্নিণটৱটএপ্তত) ওইবা কৌই। লাচনখিবা নুমিৎ অদো শকাব্দ ১৭০৫, খৃ: ১৭৮৩ হিয়াঙ্গৈগী ১০নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ তারি। নুমিৎ অসিদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মশাগী চহী ৫৪শুরে। মসিদগী অঙ্ক হোৎকৎপদা মহাক শকাব্দ ১৬৫১, হিয়াঙ্গৈ থাগী ১০নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পোকই হায়রিবসি অচুম্বনি। ৱাফম অসি মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি মতমদা ইরম্বা ‘মণিপুর ইতিহাস মৈতৈ পুরান ভাগ্যচন্দ্র চরিৎ, বিজয় পঞ্চালি’ কৌবা লাইরিক অসিবু ইবিরম্বা অইবসিনদি চৈথারোল কুম্বাবদা চুম্না তশেং-তশেংনা রাজর্ষি মশামক্কী মপোক চহী মশামক্ল া নিংথৌ ওইরিঙৈদা লাচল্লম্বসি খঙই। অদুনা “মৈতৈ পুরান...’ লাইরিক অসিমক্কী লমায় ২৯৫দা অসুম্না ইরি - ‘(ভাগ্যচন্দ্র) পোকপদগী মশাগী চহী ৩০ শুবদা নিংথৌ ওই’। অসুম্না লাইরিক অসি ইবদা চৈথারোল কুম্বাববু রিফরেন্স পীরি। মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা মহাক শকাব্দ ১৬৮১গী শজিবুগী ৭নি পানবা শগোলশেল নুমিৎতা নিংথৌ ফম্বাল তোংবগী ৱাফম অসি চৈথারোল কুম্বাবা লমায় ১২২দাইরি। মসিদগী চহী৩০ অসি খাইদোক্লবদি মশানা শকাব্দ ১৬৫১ অসি তাজে। নৈনবগী তুলস (খূৎলায়) অমা ওইনা য়েংলবদি চৈথারোল কুম্বাবসি প্রাইমারি সোর্স কৌই। অদুগা মৈতৈ পুরান ভাগ্যচন্দ্র চরিৎ অসিনা সেকেন্দরি সোর্স কৌই। অনী অসিমকসু চানরি। মসিদগী লৌরগনি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র শকাব্দ ১৬৫১, খৃ: ১৭২৯দা পোকই হায়রিবসি। মসিমক তশেংনা অচুম্বদুমক্লি। অতোপ্পা অমনা চৈথারোল কুম্বাবা লমায় ৯২দা ইরল্লিবা ‘শকাব্দ ১৬৫৩ পোইনু নোংমা পানবদা হাওবমচা পুখ্রনবগী মচাবু সনাহলদা লুহোংএ হায়রিবসিদি - রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মমা ইবেম্মা মোইরাং নিংথৌ খেল্লৈ নুংনাং তেলহৈবগী মচে ইৱাংলোন চাখা মরিং লোইখোম্বী নত্তে। হাওবমচা পুখ্রনবগী মচানুপী অসিদি শ্যামজই খূরাইলাকপগী ৩শুবী তালোইনি। মহাক্তি মচা অমত্তা পোক্লমদে। মহাক অসি নত্তবা সনাহল শ্যামজাইগী ২শুবা তালোয় অমসু লৈরি - মহাক্তি থোংবম চনুনি হায় অদুগা অমনা থাংজম চনুনি হায়নবসু য়াওই। চনু মহাক্কীদি মচানুপা ‘ভাবানন্দ’ কৌবা অমা পোক্লম্মী।

মরম অদুনা থোংঙাম নব অদোম্না পোকই হায়বিরিবা রাজর্ষিগী মপোক চহী খৃ: ১৭৩৪ অসি শকাব্দদা ওন্থোকপদা ১৬৫৬ তারি। শকাব্দ অসিগী পোইনু ১৩নি পানবা অসিসু লৈবাকপোকপা তাদে, য়ূমশকৈশা তারি। মরম অদুনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহাক খৃ: ১৭৩৪ শকাব্দ ১৬৫৬, পোইনু থাগী ১৩নি পানবা লৈবাকপোকপদা পোকখিদে। অদোম্না রাজর্ষিগী মরমদা অচুম্বা পুথোক্লবা নৈনবিবসিদা য়াওবিগে হায়রবদি লাইরিক য়াম্না পাবিদুনা মদুদগী ফংলকপা ফল অদো মীচং-মীখায় নাইদনা চুম্না-চুম্না ইবিরকউ। মদুদা তরাম্না ওকচগনি। মদুদি নত্তদনা চাংয়েং শুকতৌদি তৌদনা লান্না-লান্না ইবিরক্লগদি লৈবাক মাঙননবগী মশকনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। ৱারৌবিরোই নীংজে।

অদোমগী - শামুলাইলাৎপম প্রহলাদ শর্ম্মা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।